

# চাদা ৯৫ দি অুচুম্বা নমশিন্দুনা থল্লিবা লৈঙাক্লোন্নি ঃ ইন্দুরেখা

## সুর মৈতৈ

### সুর মৈতৈ

মীওইবা অমনা মশাগী হক তানবদা মরাল শীবিবসি চুমদে। ইরোম চনু সর্মিলানা মশাগী হক তানবতা নত্তুনা লমদম অসিগী হক তানবা হায়বসিদা মহাকপু মরাল শিবিদুনা দন্দি পিবিবা হায়বসি য়াম্না ইকায়নিঙাইহনি।

পুগদবা দাইত্বদগী লৈথোক্লগা মশাতগী খনবা লুচিংবা কয়া য়াওরকপনা লমদম অসি চাদা ৯৫ দি অুচুম্ববু নমশিন্দুনা থল্লিবা লৈঙাক্লোন অমা হায়বদু ওইরি হায়না নুপী কাংলুপগী শুমাং লিলা আর্ষ্টিস ইন্দুরেখনা মহাক্কী থম্মোয়দা লৈবা ৱাফম কয়া পাউদল্লি।

খুম্বোং অৱাং লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা এন তোলোনঙৌ অমদি লৈরিক মচা অনীগী মচানুপা অনী অমদি মচানুপী মরি পুন্না তরুক পোকপগী মনুংদা ইতোন তোনবী ওইনা ইং ১৯৮৬ কী এপ্রিল মরিদা তাইবং ফাওরকখিবি নোংমাইথেম নিংঙৌ সপাম ওংবী ইদুরেখা দেবী এলাইজ ইবেচো, কোম্হৌজম কেন্দ্র মনুং চন্না লৈবা কোম্হৌজম অৱাং লৈকায়দগী সপাম চাউথিংগা ইং ২০০৯ গী ফেব্রুৱারি ২০দা য়ুম্বাল পুন্সিদা খোঙদামিন্নদুনা চহি মঙা মপুং ফারবা মচানুপা অমগা লোয়ননা পুন্সি খোঙথাং থাংলিবিনি।


ইন্দুরেখা দ্রমা অমদি শুমাং লিলাবু পামজনা হৌরকখিবশিংগী মনুংদা অমনি হায়বসি মহাক্কা পোকমিন্নবা মবুংনা খঙবদগী মেক–অপকী লন্বীদা হান্না খোঙদানবা হায়বদগী মদুনা অুচুম্বা লন্বী ওইবা তারে খন্দুনা আর্ষ্টিস অমা হায়বদু ওইনিংবগী ৱাখল্লোন্না ইন্দুরেখা মেক–অপকী লন্বীদা খোঙদারকখি। পাম্মী হায়দুনা হেক্তা ফঙনবা হোৎনববুদি মতাং মতম চাবা ঙাইদুনা মহে লোকপনা হেন্না চুমগনি খন্না ইন্দুরেখা মতাং চাবা মতম ঙাইদুনা লৈরকখি। মতমনবু লাক্লবদি কনানসু থিংবা ঙমদে হায়বদুনি। মশাগী চহি ২৩ মপুং ফারক্লবা মতম নোংমা দ্রমা অমগী মেক–অপকী ওর্দর অমা চৎখি। মতমদু ইং ২০০৭ নি। চহিদুগী চাক্লাম খোঙচৎ (আগষ্ট ২৭) কী দ্রমা শান্ননবা কনা কনা য়াওনি হায়না লৈখিদ্রবা দাইরেক্টর বিরজিৎ ঙাঙোম্বনা হায়রকপদা ইন্দুরেখা মখুৎ থাংগৎতুনা মহাক য়াওগনি হায়বদগী দাইরেক্টরগী লমজিং মখাদা চাক্লাম খোঙচৎ হায়বা প্লেদুদা সপোর্টিং রোল লৌদুনা পুন্সিগী অহানবা ওইনা ষ্টেজ মথক্তা খোঙদাবা ঙমজখি। মসিগী মখা তারকপদা শিংজমৈদা ময়ুম পানখ্রবী মচে অমদা হায়দুনা শিংজমৈদা লৈবা লৈমরোল আর্ট সেন্টরদা মমিং চন্দুনা মতমদুগী ওঝা সারমিলাগী লমজিং মখাদা চঙলক্লবা মতুং অইবা নবদ্বিপ নিংথৌচানা ইবা (য়োকচবীসু ইমানি) হায়বসিদা থা অমা নিংথিনা তল্লবা মতুং হেরোইনগী শক্তম লাংদুনা মীয়ামগী সেবাদা অনীশুবা খোঙথাং থাংজিনবা ঙমখি। মতম অদুদা মীয়াম্না ইচঙ থোক্লা দ্রমা শান্নে হায়না মহাকপু পুক্লিং থৌগৎপীখিবনা অয়াম্বা ওইখি। থৌনাশিং অদুনা মখা তানা ‘থাংফম অমা’, ‘খোঙজোম লান’, ‘সনরিক পরেং’,‘লোয়ালমগী পাম্বা কৈ’,‘শাপ নত্তে লাইগী’ হায়বনচিংবা দ্রমা ১৫ গী মথক্তা শক্তম লাংদুনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙমজখি। ইং ২০০৯ গী ওইনা উরিষাগী কটক্তা পাংথোকপা ফেষ্টিভেল অমদা ‘অরিবা সতাপ্তি’ হায়বা প্লে অমা উৎলুবদা ফার্ষ্ট তাবদা নত্তুনা মশামক ইস্পিসিয়েল জ্যুরি এৱার্দকী মিংথোনসু ফঙলকখি।

মণিপুরগী তাংলবা লন অমা ওইরিবা শুমাং লিলা হায়বা ফম্পাক কুম্মৈ অসিদসু খোঙদানিংবগী অপাম্বা লৈবনা মহাকপু লমজিংবীবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মহাক্লা ওঝা হায়না কৌজবী ওঝা সরমিলাদা ঐসু শুমাং লিলা য়াওনিংই হায়রুবদগী ওঝা অসিনা হৈরাঙ্গোইথোংদা লৈবা য়াংগম লৈরক নুপী লিলা এসোসিয়েসন অসিগী মফমখক্তমক তাকপীরকখি।

মশানা চৎতুনা হায়জরুবদগী সেক্রেটৰী ওইরিবী পুর্নিমাসিনা মহাক্কী থৱায় য়াওবা মতৌ অদুদা অয়াবা পীবিরকপদগী ইং ২০০৯ দগী সুমাং লিলা হায়বসি করিনো হায়বা নোলেজ কয়া তানশিনবা হৌরকখি। এসোসিয়েসন অসিগী মরুম থুপ্না শন্নরিক পরেং, খুমন মেলৈ, ঙাইখিনি, শায়োন , খোঙজোমনুবি, য়োকচবীসু ইমানি, শকখঙনবা মীকুপ্তা হায়নবচিংবা লিলা ১৫ গী মথক্তা শক্তম লাংবা ঙমখ্রে।

লিলাগী ফমপাক্তা চেন চোংজরুবা মতমদা ফঙলকখিবা লেমজনিঙাই





ওইবা অমা হায়বা তারগদি ষ্টেট কলা একাদমিনা শিন্দুনা চহি খুদিংগী পাংথোকপা নুপী শুমাং লিলাগী অথোই–অহেন তান্নবা ফেষ্টিভেলগী লিলাদা এসোসিয়েসন অসিগী খুমন মেলৈ হায়বা লিলা হায়বসি খুদোল তমখিবা মতমদা শাফবী কৌবী অমগী শক্তম লাংখি। মদুদা বেষ্ট এক্ট্রেশকী অৱার্দ ফঙবা ঙমখি।

মরক অমা চনুরা যাত্র এসোসিয়েসনদা য়াওদুনা লিলা খরা শান্নরুরবা মতুং হান্নগী য়াংগম লৈরক নুপী লিলা এসোসিয়েসন্দা অমুক হল্লক্তুনা এসোসিয়েসন অসিগী আর্ষ্টিস অমা ওইদুনা হৌজিক ফাওবা লৈরি।

ফিল্ম কুম্বগী খুদোংচাবা য়াম্না ফঙই। অদুবু মপুরোইবগী অনীংবা অপাম্বা অমগী মখাদা ফিল্মদদি খোঙদাদ্রে। লিলা য়াওনিংবগীদমক মেক–অপ্তা হান্না খোঙদারকখিবনি হায়রিবি ইন্দুরেখাদা পাউ চে অসিগী মায়কৈদগী হংখিবা ৱাহং খরগী পাউখুম পীরদুনা ... আর্ষ্টিস অমনি হায়বদি চাউথোকচনিংই। অদুবু লমদম অসিগী মী অয়াম্বনা আর্ষ্টিসতা য়েংবীরিবা মীৎয়েং অসিগী হায়রুরবদি তশেংনা পুক্লিংদা নুংঙাইতবা ফাউই। মণিপুরীদি পোক্লকপদা আর্টকা লোয়ন্নরক্লবনি হায়বনা য়াম্না লৈমনখিদুনা হোংলবা লিলা আর্ষ্টিসশিংগী মগুণ অশুক্কী মতিক নেম্বা মান্না লৈরিবনি হায়না খল্লি। আর্ষ্টিস হায়বসিদি লমদম অসিগী মেসেঞ্জরনি হায়বা খঙনা মতম লৈবা খিবিক্তা লান্দবা, নোল্লুকপা অমদি থকসি–খাসি খঙনা চৎপা ওইগদবনি হায়নিংই।

মী অমা ওইবগী হক ফঙলক্ত্রবা মতমদা হক তানজবা হায়বসি ক্রাইম নত্তে।

ইচেম্মা ইরোম চনু সর্মিলানা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মশাতগীসু নত্তে। মসিবু অরানবা খোঙজংনি হায়বদি কনানসু হায়বা ঙল্লোই। অুচুম্বা খোঙথাংনি হায়বা খঙনা খঙনা অুচুম্বদু থবক ওইনা ওম্হোকপা ঙমদবা হায়বসিদি মপী–মপা ওইবশিংগী য়াম্না ইকায়নিঙাইহনি হায়নিংই। মণিপুরদা লো এন্দ ওদর য়াম্না শোল্লে হায়বসিদি ঐনা হায়রুদ্রবসু খঙনরবা ঙাক্তনি। মতাং অসিদা অুচুম্বা অখঙবা শাদুনা চিন্দা খক্তা ঙাংদুনা লৈবা হায়বসি অতাবা মীনা নোকখিগনি হায়নসু হায়নিংই। মণিপুর পুলিসগী মতাংদা হায়রুরদি ইশামক মণিপুরীনি হায়নিংদ্রে হায়বদুনি।

হৌজিক ফোঙ –ফোঙ শানা থোক্লিবা ৱাথোকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সঞ্জিৎ মীহাৎকী মতাংসিমদি উরবা ফাওবদা তশেংনা মমিৎ তাংলবা ঙাক্ত ঙাইরে, মখুৎ তেকপা ঙাক্ত ঙাইরে হায়নিংই । মশানা মরাল য়াজদুনা থোক্লক্লবা হেরোজিৎকী ৱাফম অমদি সঞ্জিৎকী অপোকপী মমাগী ৱাকৎ তাবিনবা অুচুম্বগী নাকোং লৈত্রে। উবিনবা মীৎসু লোইনা তাংখ্রে, য়োং অহুমগী ৱাফমদুনা মফরে হায়বগুমলে। চাদা ৯৫ দি অুচুম্ববু নমশিন্দুনা থল্লিবা লৈঙাক্লোন হায়বদু ওইরে লমদমসে হায়না পেনদনা হায়রি ইন্দুরেখানা।

# ফাগীগী নিংথৌ ওইনাম বাবুগী হৌখ্রবা পুন্সি খোঙচৎ ...

## সুর মৈতৈ

### ৩৬ শুবা তাঙ্কক

*হান্নগী মখা...*

অতোপ্পা পনবা য়াবা অমনা , ‘প্রোফেসর’ লিলাদা মানা মেজিক তৌবগী উপু মচাদুনি। উপুদু হৌজিকসু লৈরি। লিলা অদুদা কোলেজ ছাত্র শারিবা তাদা বাবুনা কোলেজগী ফক্সসনদা মানদি কোইনিংবা মশানদি য়াদবী মহৈরোই সুনিতাদগী লুপা ১০ চৎপি অমা ঙাইহাক্তুংগী ওইনা ৱাই। অদুগা বোক্স অদুদা হাপচিল্লি। মদু হাঙদোকপা মতমদা লুপা ১০ চৎপি অদুগী মহুত্তা নুংশি চিঠি ওইনা য়াওরম্মী। সুনিতনা সাওদুনা ফঙ্কসন প্রেসাইদ তৌরিবা ওঝাদা ৱাকৎলি। মহৈরোই নবাকন্তা শারিবা তাদা বাবুনা অমুক হন্না বোক্স অদু হাংবদা হান্নগী সেল অদু অমুক য়াওরম্মী। তৌরিবা মওং পুন্নমক অসি বোক্স অদুগী ময়াই চানা লেনথোক লেনসিন য়াবা উপাক মচেৎ অমনা ময়াই খায়দুনা হাপলগা ওইহনবনি। উপাক অদুগী মচুগা বোক্স অদুগী মচুগা চপ মান্নে। অয়েংবনা উপাক মচেৎ লিলাদা চংগদৌবা পোৎলমশিং শেম শাবদসু য়াম্না হৈ শিংই।

জি সি তোংৱা অমসুং ওইনাম বাবুঃ তাদা বাবুনা লৈখিদ্রবা মতুংদা, ৱারেংজরিবা ওঝা জি সি তোংৱাবু য়ুমদা চৎতুনা উন্নরুই। ওঝা তোংৱানা তাদা লৈখিদবগী য়াম্না থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোংদোকখি। মহাক্লা হায়রকখি– ‘ওইনাম বাবুদি ফাগীদমক ফাগী তৌদে। অওইবা ওইনা অশেংবা হায়ফম থোকপদু হায়বদা, তৌফম থোকপদু তৌবদা অদুমক নোক্তবা য়াদদুনা নোকই। অদুনা বাবুনা তৌবা ফাগীদদি খল্লুরগা কপ্পিংবা অমা য়াওই।

ঐগা চুশিন্নজবা ফাগী তৌবা নুপা অসি মহাক্নি। অমেরিকাগী ফাগী তৌবা অফাওবা বোব হোপ্পা মাগী সুইট কেস অদু শুংথা থাদোক্তে। মাগী দোল্লর ময়াম, জিপ, কার, করিমতা নচুংদে। বোব হোপকুম্না বাবুসু অইবশিংবু লুনা তৌই। মদুগী খুদমদি মহাক্লা, ‘নিংঙোল মৱা পাস’ অমদি ‘মৈতৈ চনু’নচিংবা লিলাশিং শান্নরিঙৈ মতমদু অইবশিংগীনি হায়দুনা সো অমদা লুপা ৩।৩ খাকই।

মথং মথং...


























Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*